প্রেমিয়র লীগ : লিভরপুলনা এষ্টন ভিল্লাবু পাঞ্জল ৩-০দা অদুগা ক্রিষ্টল পেলেসনা ৱোল্‌ভসপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): লন্দনদা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা লিভরপুলনা এষ্টন ভিল্লাবু পাঞ্জল ৩-০দা অদুগা ক্রিষ্টল পেলেসনা ৱোল্‌ভসপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী মেটচকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

লন্দনগী এনফিল্ড ষ্টেদিয়মদা ঙসি লিভরপুল অমসুং এষ্টন ভিল্লাগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু লিভরপুলনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৩শুবা মিনটতা লিভরপুলগী দোমিনিক জোবোস্লাইনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল এষ্টন ভিল্লাগী মায়কৈদা চনশিন্দুনা ১-০দা মাংজিল থাখি। এষ্টন ভিল্লাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরবসু বোল পায়বগী চাং ৱাৎখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবা ফংখিদে।

অমরোমদা, মেটচ অদুগী ২২শুবা মিনটতা লিভরপুলনা অমুক হন্না এষ্টন ভিল্লাগী মায়কৈ তম্না পুশিল্লকখিবা বোল অমা এষ্টন ভিল্লাগী মাল্টি কেজনা ঙাকথোক্লবা হোৎনখি। অদুমওইনমক শোয়বদগী মহাক্কী মখোঙদা পানখিবা বোল অদু মপানলোমদা পাইথোকখিবগী মহুৎতা মশাগী গোল পোষ্ট মনুংদা ওইনা পাইশিনখিবদগী লিভরপুলনা পাঞ্জল ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাঙজিল থানা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুদসু লিভরপুলনা লাকচনা অদুম্মক শান্নখিবনা মরম ওইরগা এষ্টন ভিল্লাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা খূদোংচাবা অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ৫৫শুবা মিনটতা লিভরপুলগী মোহমদ সালাহনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা ৩-০দা লৈখি। অদুবু মেটচ অদুগী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা এষ্টন ভিল্লাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু লিভরপুলনা ৩-০দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, সেলহর্স পার্ক ষ্টেদিয়মদা ক্রিষ্টল পেলেস অমসুং ৱোল্‌ভসকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা ক্রিষ্টল পেলেসনা ৱোল্‌ভসপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী ওইনা অহানবা হাফকী শান্নখিবা অদুদা টিম অনীমক্কী প্লেয়রশিংনা হৈনা-শিংনা শান্নদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা খূদোংচাবা ফংহনখিদে। চাং মান্ননা বোল পায়দুনা টিম অনীনা শান্নখিবা অদুনা করম্বা টিমনা থোইবা ঙমগদগে হায়বা অয়েংবশিংনা হায়বা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা ৱোল্‌ভসনা খরা লাকচনা শান্নবা হৌরকখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ৫৬শুবা মিনটতা ক্রিষ্টল পেলেসনা চথখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অসিগী ওটসোনি ইদোটনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মদুগী ইকান কান্নদনা মেটচ অদুগী ৬৫শুবা মিনটতা ৱোল্‌ভসকী ৱাং হি চাননা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা ১-১দা মান্ননা লৈখি।

মেটচ অদুগী ৭৮শুবা মিনটতা ক্রিষ্টল পেলেসকী ইবেরেচি ইজেনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৮৪শুবা মিনটতা টিম অসিমক্কী ওটসোনে ইদোটনা পাঞ্জল অমগা অমুক চন্দুনা ক্রিষ্টল পেলেসনা ৩-১দা মাঙজিল থাখি। মেটচ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমদা ৱোল্‌ভসকী মায়কৈদগী কন্না হোৎনদুনা টিম অসিগী মেথিয়ুস কুনহানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক রেফরিনা অরোইবা মতমগী হ্বিসল খোংখিবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ক্রিষ্টল পেলেসনা ৩-২দা থোইখিবনি।

জিম্বাবরে ক্রিকেট টিমগী হান্নগী কেপ্টেন হিথ ষ্ট্রিক মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে

জিম্বাবরে, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): জিম্বাবরে ক্রিকেট টিমগী হান্নগী কেপ্টেন ওইরম্বদা নৎতনা মশান্না অসিদা লৈবাক অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বা হিথ ষ্ট্রিক ঙসি অয়ূক অঙনবদা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা মেটাবেলেলেনদা লৈবা মহাক্কী ফার্ম অমদা লৈখিদ্রে হায়রি।

জিম্বাবরে ইন্টরনেসনলগী হান্নগী ক্রিকেটরসু ওইরিবা অমদি লৈখিদ্রবা ষ্ট্রিককী ইমুং-মনুংগী ৱাঙাংলোয় জেন রেনিনা স্পোর্টষ্টারদা ষ্ট্রিক লৈখিদ্রে হায়না কনফর্ম তৌরকখিবনি।

রেনিনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্ট্রিক মতম শাংনা কেন্সরগী লায়েং চথদুনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসি অয়ূক মহাক লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি। মহাক লৈখিদবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি চাওনা মাঙজবা অমনি হায়রি।

অমরোমদা, ষ্ট্রিককী হান্নগী কলিগ হেনরি ওলোঙ্গানা সোসল মীদিয়াদা চয়োল অনীরোমগী মমাংদা ষ্ট্রিক লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুমওইনমক ওলোঙ্গানা পাউ অদু অরানবা পাউনি হায়না অমুক হন্না শেংদোরকখিবগা লোয়ননা মহাকপু ঙাকপীনবা হায়জখিবনি।

লৈখিদ্রবা ষ্ট্রিক হৌখিবা কুমজা ২০১৮দা থোকখিবা শেঞ্জা-থুমজাগী থৌদোক অমদা য়াম্না চাওনা চেন্নখি হায়বগী মরালদা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা হৌখিবা কুমজা ২০২১দা মহাকপু চহী ৮গী ওইনা অথিংবা থমখিবনি। লৈখিদ্রবা জিম্বাবৱেগী মমিং লৈরবা ক্রিকেটর অসিনা টেষ্ট অমসুং ও দি আই ২৩৯দা পূন্না ৱিকেট ২১৬ লৌবা ঙমখি। মহাক জিম্বাবরে, বাংলাদেশ য়াওনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী ক্লব খরগী ওইনসু কোচ ওইনা মতম শাংনা থবক তৌরমখিবা ক্রিকেটর অমনি। মহাক্না কোচ ওইরমখিবা ইন্দিয়াগী ক্লবশিং অদুদি কোলকাটা নাইট রাইডর্স অমদি রাজকোট ফ্রেঞ্চাইসনি।

ষ্ট্রিককী মতমদা ও দি আই অমসুং টেষ্টতা ৱিকেট ১০০ ক্লেম তৌবা ঙমখিবা জিম্বাবৱেগী অহানবা ক্রিকেটর মহাক্না ওইখিবনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৯৩দা টেষ্ট অমসুং ও দি আই সেরিজতা ষ্ট্রিক ইহান হান্না শান্নবা হৌরকখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৯৯-২০০০গী সিজনদা মহাকপু জিম্বাবৱেগী কেপ্টেন ওইনা খনখিবনি।

অমরোমদা, মশাগী চহী ৪৯ রোম শুরবা লৈখিদ্রবা ষ্ট্রিককী লোয়নবী নেদিন ষ্ট্রিকনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী মপুরোইবনা জিম্বাবৱেগী ক্রিকেটপু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা পাম্লমখি। মহাক্না পাম্লমখিবশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

[illegible]

[illegible]

এসিয়া কপ ২০২৩ : গ্রুপ বিগী মরিশুবা মেটচতা বাংলাদেশনা অফঘানিষ্টান রন ৮৯দা মায়থীবা পীখ্রে

লাহোর, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): এসিয়া কপ ২০২৩গী ক্রিকেট ইভেন্টকী ওইনা ঙসি গ্রুপ বিগী ৪শুবা মেটচ ওইনা বাংলাদেশ অমসুং অফঘানিষ্টান লৈবাক অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা বাংলাদেশনা অফঘানিষ্টানবু রন ৮৯দা মায়থীবা পীখ্রে।

পাকিষ্টানগী গাদাফি ষ্টেদিয়মদা ঙসি বাংলাদেশ অমসুং অফঘানিষ্টান অনীগী মরক্তা তৌনখিবা টোস অদুদা বাংলাদেশনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি।

বাংলাদেশনা বেটিং তৌদুনা অহানবা ইন্নিংসকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা লৈবাক অসিগী মোহমদ নাইম অমসুং মেহদি হাসন মিরাজনা ওপন্নর ওইখি। মখোয় অনীমক্না য়াম্না হৈনা-শিংনা শান্নদুনা রন ১৪০ লৌবা ঙমখি। মোহমদ নাইমনা বোল ৩২দা রন ২৮ লৌরগা আউট ওইখি। অদুগা হাসন মিরাজনা বোল ১১৯দা রন ১১২ লৌদুনা মেটচ অদুগী খ্বাইদগী রন মশীং য়াম্না লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখি। অদুমওইনমক মহাক্কী মখোঙদা নুংঙাইরক্তবদগী আউট ওইদনা মেটচ অদুদগী পোথাখি। মহাক্কী মতুংদা থোক্লকখিবা টৌহিট রিদোইদি রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মখোয় অহুম আউট ওইখ্রবা মতুং মখা তানা বেটিং তৌখিবা সান্টো অমদি মুস্ফিকুর রহিমনা অমুক হন্না কন্না হোৎনদুনা মখোয়গী রন মশীং কা-হেন্না য়ামখৎহনবা ঙমখি। সান্টোনা বোল ১০৫দা রন ১০৪ লৌবা ঙমখি। অদুগা রহিমনা বোল ১৫দা রন ২৫ লৌখি। মখোয় অনীমক রন আউট ওইখিবনি। মদুগী মতুং বাংলাদেশকী কেপ্টেন সাকিবনা বোল ১৮দা রন ৩২ লৌরগা আউট ওইদনা লৈখি। অদুগা সামিম হুসেননা বোল ৬তা রন ১১ লৌরগা আউট ওইখিবনি।

মেটচ অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ৫০ লোইবা ফাওবদা বাংলাদেশকী ওইনা ৱিকেট ৫ তুরগা পূন্না রন ৩৩৪ লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, অনীশুবা ইন্নিংসকী ওইনা অফঘানিষ্টাননা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুদা লৈবাক অদুগী রামানুলা গুর্বাস অমসুং ইব্রাহিম জাদ্রানা ওপন্নর ওইখি। ৱিকেটকীপর গুর্বাসতি বোল ৭তা শুপ্নতগী রন অমখক লৌরম্লগা আউট ওইখি। অদুমওইনমক ইব্রাহিম জাদ্রানা কন্না হোৎনদুনা বোল ৭৪দা রন ৭৫ লৌদুনা রন মশীং য়ামহনবদা মতেং পাংশিনখি। টিম অসিগী রাহমদ শাহনা বোল ৫৭তা রন ৩৩ লৌদুনা আউট ওইখি। অদুগা কেপ্টেন হসমটুলা সাহিদিনা বোল ৬০দা রন ৫১ লৌরগা আউট ওইখি। টিম অসিগী করিম জন্নট অমসুং মোহমদ নবিদি রন ৫ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদে। মসিনা মরম ওইরগা অফঘানিষ্টান টিম মায়থীবা নংবা য়াবগী চাং ৱাংখৎহনখি। মেটচ অসিদা টিম অসিগী ওইনা নাজিবুলা জাদ্রানা বোল ২৫দা রন ১৭, বুলবাদিন নায়কনা বোল ১৩দা রন ১৫, রাসিদ খাননা বোল ১৫দা রন ২৪ লৌরম্লগা আউট ওইখি।

অফঘানিষ্টানগী ওইনা ওভর ৪৪গা বোল ৩দা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ২৪৫ খক্তমক লৌবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু বাংলাদেশনা রন ৮৯দা থোইখিবনি।

মেটচ অসিগী ওইনা অসিফ য়াকুব অমসুং লেংটন রুসেরেনা অম্পায়রশিং ওইখি। অদুগা খৃষ্ট গাফানেনা থর্দ অম্পায়র ওইখি।

দাইমন্দ লীগ ফাইনেলগীদমক ইন্দিয়ন এথলিট ৩ ক্বালিফাইদ ওইরে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৭তা য়ু এস এগী ইউজিনদা পাঙথোক্কদৌরিবা দাইমন্দ লীগ ফাইনেল ২০২৩গী ওইনা ইন্দিয়াগী এথলিট অহুম ক্বালিফাইদ ওইরে।

দাইমন্দ লীগ ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাইদ ওইখ্রবা ইন্দিয়ন এথলিট অহুম অদুদি নীরজ চোপ্রা, অভিনাশ সাব্লে অমসুং এম শ্রিশঙ্করনি।

দাইমন্দ লীগ অসি মীটিং ১৪গী ওইবা সেরিজ অমনি। মে থাদগী হৌরগা সেপ্টেম্বর থাগী অরোইবা ফাওবদা দাইমন্দ লীগ লোইশিনগদবনি। দাইমন্দ লীগতা নুপা অমসুং নুপী এথলিটশিংনা পূন্না দিসিপ্লিন ১৬তা লম্বা তৌনরি।

অমরোমদা, জেভলিন থ্রোদা টোকিও ওলিম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট ওইবদা নৎতনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অমসুং দাইমন্দ লীগ চেম্পিয়ন নীরজ চোপ্রানা ইউজিনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেলদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লি। জেভলিন থ্রো ইভেন্টকী ওইনা দাইমন্দ লীগ ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবশিং অদুদি জাকুব ভাদলেজ, জুলিয়ন ৱেভর, নীরজ চোপ্রা, এন্দরসন পিটর্স, কেসোর্ন ৱালকোট অমসুং ওলিভর হেলান্দরনি।

[illegible]

JOB FOR X AND XII PASS

Imphal amasung Manipur manungda oigadaba houjik houjik darkar oiriba official staffs 51 (Male 30, Female 21) gidamak candidate singdagi athubagi oina thabak koujari. Masagi chahi 32 gi manungda leiba class X & XII natraga Graduate pass touraba meeoisingna thabak asibu apply toubirakpa yagani.

Earning : Rs. 5000 to 35,000 (P.M)

Arappada leiba meeoisingidamakta leifam chafam gisu khudongchaba leijagani. Interested leiba thabak asibu apply toubiningba meeoisingna esagi Biodata ga loinana officeta lakpiu.

Add : Nagamapal RIMS Road. Opposite Khadims Showroom.
Visiting hour : 12 noon to 3 pm.
Contact : 8837369704
: 9612726126
HL-P/7687/4 Sept.

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহে-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-শু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur
HL-B/8286/29/8-28/9

লীগ ৱান : মোনাকোনা লেন্স ৩-০দা থোইখ্রে

ফ্রান্স, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ফ্রান্সকী ষ্টেদ লোৱিস টু ষ্টেদিয়মদা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা লীগ ৱানগী লীগ রাউন্দদা মোনাকোনা লেন্সপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীরম্লগা মথং মেটচকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

লীগ রাউন্দ অসিগী ওইনা মোনাকোনা হৌজিক পোইন্ট ১০ ফংদুনা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈবা ঙম্লি। মোনাকো অমসুং লেন্সকী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু অয়েংবশিংনা য়াম্না পেন্নীংঙাই ওইখি। টিম অনীমক্না মেটচ হৌগৎলকপদা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুবু মেটচ অদুগী ২৪ শুবা মিনটতা মোনাকোগী ৱিলফ্রাইদ সিংঙোনা খঙহৌদনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। ইকান কান্নদনা মেটচ অদুগী ৩৬ শুবা মিনটতা টিম অসিমক্কী এলেকসেন্দর গোলোভিননা টিম অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল লেন্সকী মায়কৈদা চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থানা চৎপা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুদা মোনাকোনা বোল পায়বগী চাং খরা হেনখি। মদুনা মরম ওইরগা লেন্সনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং হন্দোক্লবা হোৎনবদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। বোল কা-হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগী খূদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী ৫৯শুবা মিনটতা মোনাকোগী ৱিঙ্গর গুইলরমো মরিপানা পাঞ্জল অমগা অমুক চনখি। মেটচ অদুগী অরোইবা ফাওবদা লেন্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু মোনাকোনা পাঞ্জল ৩-০দা থোইখিবনি।

সেরি এ : অটলান্টানা মোঞ্জা পাঞ্জল ৩-০দা অদুগা লাজিওনা নাপোলিবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে

ইটলি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ইটলিদা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা সেরি এ কপকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা অটলান্টানা মোঞ্জাবু ৩-০দা অদুগা লাজিওনা নাপোলিবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইটলিগী জিৱিস ষ্টেদিয়মদা ঙসি অটলান্টা অমসুং মোঞ্জাগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মোঞ্জানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি। অদুবু পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবদি লৌবা ঙমখিদে। অমরোমদা, মেটচ অদুগী ৩৫ শুবা মিনটতা অটলান্টাগী টিমনা খঙহৌদনা চথরকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অসিগী এদরসননা খোঙলৈ থুনা গোল পোষ্ট তম্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা ঙাকথোকপা ঙমহৌদবদগী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। মদুগী মতুং মেটচ অদুগী ৪২ অমসুং ৬২ শুবা মিনটতা অটলান্টাগী জিয়ানলুকা কার্নাকানা থংন-থংননা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমদুনা অটলান্টাগী পাঞ্জল ৩ শুখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবা মোঞ্জাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু অটলান্টানা ৩-০দা থোইখিবনি।

অমরোমদা, ইটলিগী ষ্টেদিও দিএগো অর্মান্দো মারাদোনা ষ্টেদিয়মদা লাজিও অমসুং নাপোলিগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা লাজিওনা নাপোলিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখিবনি। মেটচ অদুগী ৩০ অমসুং ৫২ শুবা মিনটতা লাজিওগী লুইস অলবর্টো অমদি দাইচি কর্নাদানা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। অদুগা মেটচ অদুগী ৩২ শুবা মিনটতা নাপোলিগী পিওটর জেলিন্সকিনা পাঞ্জল অমা চনখি। মেটচ অদু মখা তানা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী লাজিওনা ২-১দা মায় পাকখিবনি। কপ অসিগী ওইনা মিলাননা পোইন্ট ৯ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈরি। ঙসি মায়থীবা নংখ্রবা নাপোলি পোইন্ট ৬ ফংদুনা ৪শুবা মফমদা লৈরি।

[illegible]

ADMISSION OPEN
FOR
1. SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSE
FOR
STUDENTS & SENIORS
2. RHYMES TEACHERS TRAINING COURSE
FOR
GIRLS & YOUNG MOTHERS
AT
SPOKEN ENGLISH CLASS
SINCE 1986
NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/8262/9/8-9/9

[illegible]
NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEET/JEE/IIT
NEF

REGISTRATION OPEN
8 MONTHS REGULAR COURSE FOR
NEET (UG), TARGET -2024
Commencing from 1st September 2023
Why NEF (Eligibility :12th passed / Appearing)
- Study Materials with latest updation.
- Expert faculties from KOTA
- 4½ hours classes daily & Test Series on every 15 days
- Individual attention on every student.
- Special doubt clearing classes

OUR FACULTY MEMBERS

CHEMISTRY

Rahul Kumar
* Ex Faculty member of Career Point, KOTA & Narayana IIT

PHYSICS

L. Bidyaraj
Master from IIT, Guwahati
* Ex Faculty member of Career Point

MATHS

Basant Kumar
* Ex Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzzafarpur
* Over 25 years of experience for JEE

BIOLOGY

Vishal Kumar
* M.Sc. Life Science
* Post Graduate diploma in bioinformatics
* Teaching experience 10 years (NEET)

7 days Free trial Classes
Admission Only after satisfaction in the Class
For more details contact : 9402979552 | 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai
HL-P/7162/ Aug 18,20,22,24,27,29,31, Sept 2,4,6,8,10,12,14

[illegible] / মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, অমুকসু খোঙ হাম্বা অদু য়ারকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই চানা মরুমুক চাউবা অমা পোমথোরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মরম ওইদুনা মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, অমুকসু খোঙ হাম্বা অদু য়ারকপা, অমুকসু য়ারক্তবা অসুম্না তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা মতমদা লৈকাংগুম্বা অমুবা মচু হাম্লকপা, শা-ঙা চারগা অমুক হেন্না খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা মতমদা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎপা, পূকচেপ য়াম্না নাবা, খোঙ শেংনা হামদোকখিবা তারগদি করিসু তৌদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, অমাংথোঙগী মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙদগী তিনকুপ থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু অমুক খকখ্রগা অমুক তারকপা অসুম্না তৌরগা লৈবা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই চানা মরুমুক চাউবা অমা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা নাম্থরকপা, নাম্থরকপা অদু মতম খরা মশানা হনগৎলম্বদগী মশানা অমুক হনগৎলু য়ারক্তবা, খূৎনা ইনশিনবা, ফিডৌ য়াম্না চৎপা হকচাং থোঙদসু য়াম্না নাবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : **S. Renubala Devi**
Haobam Marak
HL-B/8293/4